# নুমিৎ নীনিগী ওফিসল খোঙচৎতা ঙসি চাইনিজ প্রসিদেন্ট জি জিন পিংনা টামিলনাদুদা থুংলখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১১ (এজেন্সী): নুমিৎ নীনিগী টামিলনাদু খোঙচৎতা ঙসি চাইনিজ প্রসিদেন্ট জি জিং পিংনা চেন্নাইদা থুংলখ্রে।

চাইনিজ প্রসিদেন্টনা ইন্দিয়াদা লৈরিঙৈদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা লোয়ননা মমলাপুরমদা পাঙথোক্কদবা ইন্দিয়া-চাইনা সমিততা শরুক য়াগদৌরি। জি জিন পিং অমসুং অতোপ্পা মীওই ১০০ রোম তোংবা এয়র চাইনাগী প্লেন অদু ঙসি নুংথিল পুং ২ রোম তাবদা চেন্নাইদা থুংলখি। টামিলনাদুগী গভর্ণর বনৱারি লাল পুরোহিত, চীফ মিনিষ্টর কে পালানিস্বামী, দেপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর ও পনিরসেলবম অমসুং অতৈ মীওই কয়ানা চাইনিজ প্রসিদেন্টপু তরাম্না ওকখি।

জিন পিংনা টামিলনাদুদা লৈরিঙৈদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগা লোয়ননা মমলাপুরমদা পুং ৬ চুপ্পা ৱারী শান্নরবা মতুংদা সাউথ ইন্দিয়নগী মথেল লুকোইশিং চামিন্নগদৌরি। জিন পিংগী খোঙচৎ অদুদা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ চাইনাগী সেন্ট্রেল কম্মিতিগী পোলিট ব্যুরো মেম্বর বিং জ্বেজিয়াং, সেক্রেটরিয়েট মেম্বর, য়াং জিচি, ফোরেন এফেয়র্স কম্মিসনগী দিরেক্টর ৱাং য়ি, ষ্টেট কাউন্সিলর হে লিফেং, নেসনল কম্মিতি ওফ দি চাইনিজ পিপলস পোলিটিকেল কন্সলটেটিব কনফরেন্সকী ভাইস চেয়ারমেন অমদি নেসনল দিভলপমেন্ট এন্দ রিফোর্ম কম্মিসনগী চেয়ারমেনসু লোয়নরকখি।

রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং চাইনিজ প্রসিদেন্ট জি জিন পিংনা অখন্নবা থৌরাং অমগী মখাদা অতম্ন ননা টামিলনাদুগী মমলাপুরমদা ইনফোর্মেল ওইনা ৱারী শান্নবা ফিরেপ লৌখিবনি।

অমরোমদা, চাইনিজ প্রসিদেন্টকী খোঙচৎকা মরী লৈননা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা টিবেটান ৫ পুলিসনা ফাখ্রে। চাইনিজ প্রসিদেন্ট লৈগদবা ষ্টার হোটেল মনাক্তা টিবেটান ৫না ঙসি খোঙজং চঙশিল্লকখিবনি।

পনবা য়াবদি, জি জিন পিংগী খোঙচৎ মাংওইননা ইন্দিয়া অমদি চাইনানা মেমোরেন্দম ওফ অন্দর ষ্টেন্দিং ১২৯ খুৎয়েক পীনখ্রবনি। এফ আই সি সি আইগী ইন্দিয়া-চাইনা মিতিংদা চাইনিজ এম্বেসিগী কাউন্সিলর ঝু জি য়াওহোংনা হায়খি মদুদি লৈবাক অনীনা লল্লোল ইতিক তৌবদা খল মান্নদবা মরম্না শেল-থুমগী ওইবা মতেং পাঙননবা থৌরাং লৌখৎলকপদা অপনবা ওইরে। নাকল অনীমক্তা খুদোংচাগদবা মওংদা লল্লোল ইতিক্কী থবক থৌরমশিং পায়খৎপা মথৌ তাই।

# আই এন এক্স মিদিয়া কেসতা দিল্লিগী কোর্টনা পি চিদম্বরমগী মায়োক্তা প্রদক্সন ৱারেন্ট ইশু তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১১ (এজেন্সী): আই এন এক্স মিদিয়া কেসকা মরী লৈননা দিল্লিগী স্পেসল কোর্ট অমনা ঙসি হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টর পি চিদম্বরমগী মায়োক্তা প্রদক্সন ৱারেন্ট ইশু তৌখ্রে।

ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেট (ই দি)না স্পেসল কোর্টতা চিদম্বরমবু আই এন এক্স মিদিয়া কেসকা মরী লৈননা কষ্টদিদা থম্নবগী অয়াবা পীবিয়ু হায়জরকখ্রবা মতুংদা স্পেসল জজ অজয় কুমার কুহারনা কোংগ্রেসকী লুচিংবা অদুবু ওক্টোবর ১৪দা কোর্টতা পুথোরক্নবা খঙহনখিবনি।

লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুংথিল পুং ৩ তাবদা চিদম্বরমবু স্পেসল কোর্টতা পুথোরক্লগনি। মতমদুদা ই দিনা মহাকপু কষ্টদিদা থম্নবগী ৱাফম পুখৎলকপা য়াই হায়না থাজনরি। সি বি আইনা আই এন এক্স মিদিয়া কেসকা মরী লৈননা চত্থরকপা ইনভেষ্টিগেসনগী শরুক অমা ওইনা চিদম্বরমবু হৌজিক জুদিসল কষ্টদিদা থল্লিবনি।

ই দিগী মায়কৈদগী লেপখিবা সেলিসিটর জেনরেল তুসার মেহতানা হায়খি, চিদম্বরমবু কষ্টদিদা থমদুনা ৱাহং পাউহঙ চত্থরগা তোঙান-তোঙানবা বেঙ্ক একাউন্ট ১৭কী মরমদা অচুম্বা ৱাফম খঙদোক্লবা হোৎনবগী তঙাইফদা লৈ। সি বি আইনা ফাইল তৌরকপা আই এন এক্স মিদিয়া করপসন কেসকা মরী লৈননা চিদম্বরমবু হৌজিক হৌজিক তিহার জেলদা থল্লিবনি। কুমজা ২০০৭তা মপান লৈবাক্তগী লুপা ক্রোর ৩০৫ পীরকখিবগী মতাংদা ফোরেন ইনভেষ্টমেন্ট প্রমোসন বোর্দকী ক্লিয়ারেন্স পীখিবগা মরী লৈননা কেস অমা ফাইল তৌরগা ৱায়েল চত্থরকখিবনি। মতমদুদা য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিব এলায়েন্স গভর্ণমেন্টতা চিদম্বরমনা ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা মপান লৈবাক্তগী আই এন এক্স মিদিয়াদা শেল থাদরক্নবা ক্লিয়ারেন্স পীখি হায়না মরাল শীদুনা লাকখি।

কেস অসি সি বি আই অমসুং ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টেরেটনা পুন্না ইনভেষ্টিগেসন চত্থদুনা লাকখিবগা লোয়ননা ওগষ্ট ২১দাসি বি আইনা হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টর চিরম্বরমবু ৱাহং পাউহঙ চত্থনবগীদমক ফাজিনখি। সেপেটেম্বর ৫দা মহাকপু তিহার জেদল থমখিবনি। হৌজিক ফাওবা চিদরম্বমরনা মতিক চাবা পাউখুম অমত্তা পীরকখিবা লৈতে হায়না ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি অনীনা মরাল শীরি। মমাঙ থাদা চিদম্বরমনা বেল পিবিনা হায়জরকপদা দিল্লি হায় কোর্টনা অয়াবা পীখিদ্রবা মতুংদা স্পেসল কোর্টনা মহাকপু ওক্টোবর ১৭ ফাওবা তিহারজেদা থম্নবা খঙহনখি।

# হরিয়ানা, মহারাষ্ট্রগী মীখল মমাঙদা সোনিয়া গান্ধিনা কোওর্দিনেসন কম্মিতি অমা শেমখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১১ (এজেন্সী): কোংগ্রেসকী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধিনা ঙসি মহারাষ্ট্র অমসুং হরিয়ানাগী এসেমব্লী মীখল মাংওইননা পার্টিগী অনৌবা কোওর্দিনেসন কম্মিতি শেমখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা লৈবা কোংগ্রেসকী হেদ ক্বার্টরদা কম্মিতিগী মীফম পাঙথোক্তুনা ষ্টেট অনীগী এসেমব্লী মীখলদা পার্টি অসিগী মীরেপশিং মায় পাকহন্নবগী মতাংদা কুপ্না খন্নগদৌরি। নৌনা শেমখিবা কোংগ্রেস কোওর্দিনেসন কম্মিতিনা পার্টিগী প্রমোসন, রেল্লি অমসুং থৌশিল শেম্বনচিংবা এসেমব্লীমীখলগামরী লৈনবাথবক থৌরম পুন্নমক য়েংশিনগদৌরি।

কোংগ্রেসকী সিনিয়র লিদর অহমদ পতেলবু কম্মিতি অসিগী লুচিংবা ওইনা খনখিবগা লোয়ননা মধুসুদন মিষ্ট্রি, অনন্দ শর্ম্মা, জ্যোতিরাদিত্যা সিন্দিয়া অমদি প্রনাব ঝাবুনা মেম্বর ওইনা খনখি। কোংগ্রেসকী সোসল মিদিয়া দিপার্টমেন্টকী চেয়রপার্সন রোহন গুপ্তসু কম্মিতি অসিগী মেম্বর ওইনা খল্লে হায়রি।

এসেমব্লী মীখল মমাঙদা কোংগ্রেসকী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধিনা অসিগুম্বা মখলগী কম্মিতি শেম্বা হন্দক্না অহানবনি। মচানুপা রাহুল গান্ধিনা পার্টি প্রসিদেন্টকী ফম থাদোকখ্রবা মতুংদা নৌনা অমুক ইন্টরিম প্রসিদেন্টকী থৌ পুরকখিবী সোনিয়া গান্ধিনা ষ্টেট খুদিংমক্তা কোংগ্রেসকী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎলি।

হৌজিক হৌজিক এসেমব্লী মীখল পাঙথোক্কদবা মহারাষ্ট্র অমদি হরিয়ানাদা মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদবা কেম্পেইন কয়াদা মহাক্না শরুক য়াগদৌরি। চৈরকসিদা কোংগ্রেসকী সিনিয়র লিদর সলমান খুরসিদনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অমনা মরম ওইরগা পার্টি মনুংদা অচৌবা ৱাথোক অমা থোকহল্লকপা য়াবগী ফিভম লৈরে।

# থা অনী অথিংবা থমজিল্লুরবা মতুংদা ওথোরিটিনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা টুরিষ্টশিং অমুক হন্না চঙহনখ্রে

স্রিনগর, ওক্টোবর ১১ (এজেন্সী): থা অনী হেন্না অথিংবা থমজিল্লুরবা মতুংদা ওথোরিটিশিংনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা টুরিষ্টশিং অমুক হন্না চঙনবগী অয়াবা পীখ্রে।

চয়োল অসিগী হৌগৎলকপদা গভর্ণর সত্যা পাল মালিকনা পীখিবা পাউতাক মতুংইন্না জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী হোম দিপার্টমেন্টনা অথিংবা পুন্নমক লৌথোকখিবগা লোয়ননা টুরিষ্টশিং চঙনবগী অয়াবা পীখিবনি। জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা লম কোইবা লাক্লিংবা মীওই পুন্নমক্তা মথৌ তাবা তেংবাঙ পীগনি হায়না হোম দিপার্টমেন্টকী চেরোল অমনা ফোঙদোকখি।

ওগষ্ট থা হৌগৎলকপদা টেররিষ্টশিংনা এটেক চত্থরকপা য়াই হায়বা ৱাফমগা মরী লৈননা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখিবদগী টুরিষ্ট, পিলগ্রিম, ৱার্কর অমসুং মহৈরোইশিং কয়ামরুম জম্মু এন্দ কাশ্মির থাদোক্তুনা চৎনখি। টুরিষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না মতমদুদা লম কোইরকপা মীওই ২০,০০০দগীনা ২৫,০০০ ফাওবা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা লৈখি হায়রি।

সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোক্লে হায়না লাউথোক্লমদাইদা টেলিফোন অমদি ইন্টর্নেট সার্ভিস পুন্নমক থিংজিনখিবগা লোয়ননা মীয়ামগী চত্থোক চৎশিন্দসু অথিংবা থমখি। সিক্যুরিটিগা মরী লৈননা লৌখৎলকপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা পোলিটিকেল লিদর কয়ামরুমসু ফাজিন্দুনা থমখি। মতমদুদা থমখিবা অথিংবশিং তপ্না তপ্না লৌথোরকপা তারবসু হৌজিক ফাওবা মোবাইল অমদি ইন্টর্নেট সার্ভিস মখা তানা অথিংবা থল্লি।

কাশ্মিরগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবদা খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লিবা টুরিজম সেক্টরদসু চাওনা অপনবা থোকহনখি। ওগষ্ট থাদগী হৌজিক ফাওবা কাশ্মির তম্পাক্তা টুরিষ্ট অমত্তা চঙহল্লক্ত্রি।

# দিফেমেসন কেসকা মরী লৈননা রাহুল গান্ধিনা ফাইল তৌরকপা বেল এপ্লিকেসন কোর্টনা লৌখ্রে

অহামেদবাদ, ওক্টোবর ১১ (এজেন্সী): জবলপুরদা পাঙথোকখিবা মীখলগী রেল্লি অমদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সাহবু মীহাৎপনি হায়না ফোঙদোক্লুবগীদমক রাহুল গান্ধিগী মায়োক্তা ফাইল তৌরকখিবা দিফেমেসন কেস অমগা মরী লৈননা কোংগ্রেসকী লুচিংবা অসিনা বেল পিবিনবা হায়জরকখ্রে।

রাহুলগান্ধিনাফাইলতৌরকখিবা বেল পিটিসন অমা অহামেদবাদকী কোর্টনা লৌশিনখি। দিসেম্বর ৭তা হিরম অসিগা মরী লৈননা হিয়রিং চত্থনবা মতম লেপখি। ক্রিমিনেল দিফেমেসন কেস অনীগা মরী লৈননা কোংগ্রেসকী এম পি অসি অহামেদবাদতা লাক্তুনা লোকেল কোর্ট অমদা বেল পিটিসন ফাইল তৌখিবনি।

অহামেদবাদ এয়রপোর্টতা হেক থুংলবগা রাহুল গান্ধিনা সিটি সর্ক্যুট হাউতা চৎতুনা ষ্টেটকী কোংগ্রেস লুচিংবশিং উনখি। তুংদা মহাক্না ঘি কান্তা এরিয়াদা লৈবা মেট্রোপোলিটান কোর্টতা লাকখি। সর্ক্যুট হাউস তম্না চৎপগী লম্বীদা গান্ধিবু এম এস য়ু আই অমদি কোংগ্রেস ৱার্করশিংনা তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা তরাম্না ওকখি।

হৌখিবা জুলাই থাদসু এ দি সি বেঙ্কনা ফাইল তৌরকখিবা দিফেমেসন কেস অমগা মরী লৈননা কোংগ্রেসকী লুচিংবা অসি কোর্টতা লাকখিবনি।


## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG

**Ref :- Mut. Case No.982/SDC/M dt : 25/09/2019**

Serajuddin S/o Md. Alimuddin of Kwakta W/No. 6
-Vs-
(Late) Saherbanu Bibi W/o Alimuddin of Kwakta Khunou

/ **NOTICE**
Moirang, the 11/10/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৯১- ক্বাক্তাদা লৈবা পাট্টা নং ৬৪৫/১৬১৪ অনৌবা, সী এস দাগকী নং ৫৬৯০/৫৮৪৭, এরিয়া ১.৩২ একর চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: ওইখ্রবা পাট্টাদারগী ইমুং-মনুং পিটিস্নরনা মীং ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Moirang

HL-P/4072/12

## /DRIVING LICENCE LOST

I have lost my Smart Driving Licence issued by the District Transport Officer, Babupara, Imphal West on the way between Ithai and Chairen. So, finders are requested to handover the same to the undersigned.

**Sd/- Huidrom Maipaksana Meitei**
Ithai Khunou Awang Leikai, # 8787704227

HL-B/5738/12

## OFFICE OF THE RURAL ENGINEERING DEPARTMENT/MSRRDA

/NOTICE
Imphal, the 11th October, 2019

No. 01/01/2016-RED : RED/MSRRDA is looking for services of retired Engineers not below the rank of Executive Engineer who have rendered services in the State/Central Government of any Organisation furnded by State/Central Government to work as State Quality Coordinator (SQM) in the field of road and bridge works on honoratium basis initially for one year which is extendable as per guidelines.

Interested candidates may apply by submitting a neatly typed application and bio-data (along with photocopies of certificates, credentials and other relevant documents such as Service Order, Service Termination order etc.) addressed to the Chief Engineer, RED/MSRRDA, 4th Floor Secured Office Complex, AT Line North AOC, Imphal on or before 19th October, 2019.

**Sd/- Th. Nandakishore Singh**
Chief Engineer-cum-Empowered Officer
RED/MSRRDA, Imphal

HL-B/5739/12

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : KUMBI, MANIPUR

**Ref :- Mut Case No. 649/SDC/KBI/2019 09/10/2019**

Khangembam (O) Sanatombi Devi W/o Kh. Ningthouremba Singh of Setupur Mayai Leikai. ...*Petitioner*
-Vs-
Khangembam Achou Singh S/o Kh. Ningthouremba Singh of Kumbi Setupur Mayai Leikai. - O.P.Pattadar

/ **NOTICE**
Kumbi, the 11th October, 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৬৪ - কুম্বীদা লৈবা পাট্টা নং ১) ১৮৫৫, ২)১২০৩ (অনৌবা), সী এস দাগ নং ১) ৫৭৩৬, ২) ৫৭৩৫, এরিয়া ১)০.৩৬, ২)১.০০ একর চাউবা ইখ্বোল অমসুং ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃ: পাট্টাদারগী মমা পিটিস্নরনা মীং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না মখা কেস চত্থগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Kumbi**

HL-P/4071/12

## Pandit Deen Dayal Upadhyay Institute of Agricultural Sciences

Bishnupur District, Utlou, Manipur.
(Under the aegis of Pandit Deen Dayal Upadhyay Institute of Agricultural Sciences Society)
Regd. No. 532 of 2017 dated 30th June, 2017
Affiliated to Manipur University
Phone No.9366085482/9366045467
email: pdduias@gmail.com

Refn No.PDDUIAS/Advt/15-2016/17

### ADVERTISEMENT

Utlou, the 11th October, 2019

The institute will recruit the following Teaching Posts as per UGC/ICAR Service Rule for smooth and speedy functioning of the Institute.

**RR**-As per latest ICAR /UGC norm
**Pay Scale**-Rs15,600-39,100 with Grade Pay Rs 6000/- + Ph.D increment.

| Sl.No | DISCIPLINE | QUALIFICATION | POSITION |
|---|---|---|---|
| 1. | Sericulture | M.Sc. Sericulture or Life Science with PG Diploma in Sericulture | Assistant.Prof-5 |
| 2. | Textile Engineering | B.Tech First Class /M.Tech | Assistant.Prof-1 |
| 3. | Biochemistry | M.Sc./ Ph.D. | Assistant.Prof-1 |
| 4. | Physical Education | M.P.Ed./ Ph.D. | Assistant.Prof-1 |

Note:
1. Application form can be had from the undersigned by paying Rs 1000/-.
2. Date of commencement of form issue:11/10/2019
3. Last date of form submission :31/10/2019
4. Interview will be held on: 3rd November ,2019.
5. Short listed candidates will only be called for interview.

### ADMISSION OPEN
### FOR B.Sc. SERICULTURE

**Duration: 4 Years.**
**Qualification:12th Science with minimum 45% with Physics, Chemistry & Mathematics/Biology.**
**Fee Structure: Rs.45,000/- per semester and extra university fee**
**Hostel Fee: Rs. 13,000/-per semester**
**Orientation Cum Counselling: 1st November, 2019**
**Commencement of Session: 4th November, 2019**
**Note:-** Admission form can be had from the office of the Director, PDDUIAS, Utlou of Rs. 500/- during office hour.
**HURRY LIMITED SEATS!!!**
**For details Please Contact Director, PDDUIAS, Utlou.**
**Utlou Mayai Leikai, Bishnupur District, 795134, Manipur**
**Phone:- 9366045467/ 99366092109 email.pdduias@gmail.com**

Sd/-
Member Secretary/Director
Pandit Deen Dayal Upadhyay Institute of Agricultural Sciences

HL-P/4063/12

## CENTRE FOR PERSONNEL TALENT MANAGEMENT (CEPTAM)

*Scrutinize, Actualize & Recognize Human Potential*

DEFENCE RESEARCH & DEVELOPMENT ORGANISATION (DRDO)
MINISTRY OF DEFENCE, GOVERNMENT OF INDIA

*"Government strives to have a workforce which reflects gender balance and women candidates are encouraged to apply"*

ISO 9001:2015

### Notice for Re exam under CEPTAM-09/TECH-A advertisement on 23rd Oct., 2019 for absent candidates of Patna, Delhi, Dehradun, Goa, Jaipur, & Port Blair at selected centres

This is for the kind attention of the Candidates of CEPTAM-09 Technician 'A' advertisement of following centres who could not appear in examination during 28-30 September, 2019. The Re-examination of Tier-I for Technician 'A' examination is scheduled on 23 October, 2019 for **those candidates who could not appear for examination** as per their earlier schedule of following centres/cities.

| CITY | CENTRE NAME AND DETAILS | | EARLIER SCHEDULED |
|---|---|---|---|
| Jaipur | Old Centre | ALPHA CYBER LAN, F-96, First Floor, Road No.-7, Sikar Road, Vki area, adjacent to Om Toyota Jaipur-302013, Rajasthan | 30 Sept, 2019 |
| | New Centre | Arya Institute of Engineering & Technology (AIET), 1st and 2nd Floor , Arya first main campus, SP-40, Delhi Road, RICCO Industrial Area, National Highway-11C, Kukas, Near Hotel Le-meridian, Jaipur-302028, Rajasthan | |
| Goa | Old Centre | MANIPAL Institute of computer education MICE, 18th June road, 1st floor, opposite Bombay bazar, Manguirish building, Panji- 403001 | 28-30 Sept, 2019 |
| | New Centre | Manipal Institute of computer education MICE, 3rd Floor, Virgincar Bhavan, Martinho Menezes road, Margao salcete, Margoa- 403601 | |
| Delhi | Old Centre | Atharv online Test Services, A6, Block -A, Najafgarh Road, Opp. Pillar No. 786, Bhagwati Garden Extension, Nawada, Dwarka, Delhi-110059 | 30 Sept, 2019 |
| Dehradun | All Centres (Scheduled in Dehradun) but shifted to other cities/centers | | 28-30 Sept, 2019 |
| Port Blair | India Computer Technology, 2nd Floor, Hira Bhawan, South Andaman, Upstair to Vijaya Bank, Abardeen bazar, Port Blair | | 28 Sept, 2019 Morning shift (10-12AM) (Only for those candidates. who were present for examination on 28 Sept 2019) |
| Patna | All Centres | | 28-30 Sept,2019 |

- Please note that re-examination is only for those candidates who have not appeared in the examination as mentioned above. Candidates are requested to check their registered Email id and mobile phone for the message in this regard.
- Also New Admit Card for the examination will be available from 10 October, 2019, 05:00 PM onwards.
- Please keep visiting the CEPTAM website and keep checking your registered Email id for any update in this regard till 23 October, 2019.

Sd/- **Director, CEPTAM**

DAVP /10301/11/0087/1920